থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# কনাগুম্বা অমবু মায় পাকহল্লিবা কনাননো ?

ইকুই কুইখিদ্রি, নোংমা মরূপ অমগী অপোকপা লৈখিদবগী হংবা চৎলুবদা ঙাইহাক ফমদুনা ৱারী শানরুঙৈ, মরূপ্তুগী মচিন-মনাও ঙাঙনরম্বদু তারকখি ... মখোয়গী এম এল এ, হৌজিক মিনিষ্টর ওইরিবদু হংবা লাক্তে ... নৌনা ভোৎ লেপকদবগী লাঙখৎলক্লিবা থিকাদারদুদি লাক্লম্লে, লীশিং তরা পীরম্মী, মেইন রোদ'তগী চঙলকপা লম্বী মতেক লৈখোম থোকপদুসু নূং গাড়ি অমা হৈররগনি হায়রম্মী ...। লৈকাই খুদিং, মীশি-মীনা থোকপা খুদিং ঙাঙনরবা ৱারীনি। ৱারেং ওইনা ইথোক্লবগী মেরিৎ লৈবা ৱারী নত্তে। অদুবু, ঙসিদি ৱারেংসিগী ৱাহৌদোক ওইনা ইনীংলুরে। মরম অতৈগী নত্তে। ৱারীসিদা য়াওরি - অৱাবা তারবা ইমুংদুগী অৱাবদা ভি আই পিদুনা শরুক য়াহন্নিংবগী অপাম্বা, মহাকপুসু মরু ওইবা মীশক অমা ওইনা লৌহন্নিংবগী ৱাখল। নৌনা ভোট লেপকদবগী শেম শারক্লিবা, নোংমতা লিদর ওইরক্তবদুনা লিদর হায়বসি কনানো/লিদরসিপ হায়বসি করিনো সুপখঙ খঙদনা লিদর ওইনবা হোৎনরক্লিবা মহাক্তুনা তৌরিবদুসু, কনাগুম্বনদি নাপল তৌবা, মীবু শেলনা লৈননবা হোৎনবা ওইনা উরবসু তশেংবদি মাবু অৱাংবা থাক অমদা ইনখৎপিরক্লবা মরূপ-মপাংগী যুম্ফম থোল্লিবনি। পোলিটিক্স ওইরো, বিজিনেস ওইরো, ওর্গনাইজেসন ওইরো ... মায় পাকপা হায়বসি কনাগুম্বা অমগী মরন্নাই হোৎনজমলন্‌ নত্তে অতোপ্পা মীওই কয়াগী ঙাক্লৌ অমদি মতেং য়াওদনা ওইথোক্তে হায়বসি মহাক খঙই। লায়রবনা মশিং হেনবা মীয়াম মরক অসিদা মহাকপু থানবা য়াদবা মরূপ অমা ওইনা লৌননবা, খুদোংথিবদা নৎত্রগা অৱাফমদা তারবা মীওইশিংদা মতেং পাংদুনা/অৱাবদা শরুক য়াদুনা হোৎনরকই, নক্লবা মরী থল্লকই। মহাক্কী পান্দম, অতৈ নত্তে, মহাক্কী সপ্পোর্ট বেজ শেমগৎপনি। মীখলদা মীরেপ ওইবা, মশিং য়াম্বা মীয়াম্না শৌগৎপা, লিদর নত্তবা লিদর অমা ওইননবা হোৎনবদুগী শরুক অমনি মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি (পোলিটিকল সেগমেন্ট) অদুদা লৈরিবা ইন্দিভিজ্যুঅলশিং/ সোসল ওর্গনাইজেসনশিং/য়ুথ-ক্লব-মেম্বরশিং/লৈকাই-মৈরা-পায়বীশিং... মখল কয়াগী মীওইশিংগা পর্সনেল-রিলেসনসিপ অমা শাগৎনবা হোৎনরিবা। সুদো লিদর নত্তবা, অশেংবা লুচিংবা হায়বদুদি ফম অমা মিহৌবগী, ওইজবা অমা ফংনবগী ৱাখল অদু য়াওদনা থবক তৌই, মীগী থম্মোয় খুদুম চল্লি, হায়নরুবা তৌদনা সপ্পোর্ট বেজ ওইরকই। দেমোক্রেতিক ওইবা পোলিটিকেল সেত-অপ অমদা পোলিটিকেল লিদর ওইনবা, মমল পীদুনা লৈরগা পোলিটিকেল সপ্পোর্ট নিগদবা নত্তে। মরূপ হায়বসি য়োন্দবনি, মমল পীরগা লৈবা ফংলোই। ঐখোয়, ৱাফমসিমদি খঙমিন্নসি-কনাগুম্বা মী অমনা অৱাংবা থাক অমদা য়ৌরকপা হায়বসি কনাগুম্বা অমনা চিংখৎকদবা নত্তে, ময়াম চঙদুনা ইনকৎকদবনি। অকনবা, অচৌবা অমনা মতিক চাদবা কনাগুম্বা অমবু মখুৎ পায়দুনা চিংখৎলগা অৱাংবা থাক অমদা ফমহল্লুবা, মখোঙ অদু পায়দুনা ময়াম্না চিংথরক্কনি।

পোলিটিকেল ওইবা মীৎয়েংদগী নত্তবা অতোপ্পা এঙ্গল অমদগী অমুক য়েংসি। কম্পনি অমগী তোপ-ইকজিক্যুটিভ অমগী মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা, মাগী মখা থাবা ইমপ্লোয়ী অমদি ৱর্করশিংনা মাগী য়াথং ইনবা নৎত্রগা ইন্দবগী চাংদুগী মখা পোল্লি। ৱর্কর-ইমপ্লোয়ীশিংনা হায়বা ইল্লক্তবদা কম্পনিদুগী প্রসিদেন্টনা ৱর্করশিংদা এক্সন লৌরোই, ইকজিক্যুটিভ ওফিসরদা ফায়র তৌগনি। দুকান অমগী সেলসমেনগী মায় পাকপা/পাক্তবা, পোৎ লৈবা লাকপা মীশিংবু মহাক্না করম' লোয়নবা, মখা তানা লাকপা/লাক্তবগী মখা পোল্লি। অইবা অমগী মায় পাকপা/পাক্তবা, মহাক্না ইজখিবা লাইরিক নৎত্রগা খুৎইশিং অপাবশিংনা পাবীবা/পাবীদবগী মখা পোল্লি।

মতম অমা লৈরম্মী-খুৎকন পাঙ্গনবা নিংথৌ অমদি দিক্তেটরশিংনা লৈপাক ঙাক্লিঙৈ, মখোয় মখোয়গী নক্লবা মরী-মতা, মচা-মশুশিংবু নমফুদা মরু ওইবা থৌগায় পুহনবা, তৌনিংবদা তৌহনবা, প্রজাশিংবু অকিবনা লাকহৎলগা হিংহনবা, ওথোরিটিগী মায়োক্তা ঙাঙবশিংবু অহকপা চৈরাক পীদুনা হংনা শাবা লাইগুম্না হিংলম্বা। ঙসিদি, কনানা কনাবু কিহল্লগা নমফুদা কয়াম কুইনা সপ্পোর্ট তৌহনবা ঙমগনি ? মশানা য়ানা শৌগৎলগা শৌগৎলে, য়ানিংদ্রগা শৌগৎত্রে।

অদুনদি, ৱাফমসিমদি ঐখোয় পুম্নমক্না য়াথোকমিন্নবা য়ারে-ঐনা তৌরুবা থবক অমদা মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা হায়বসি ঐগা থবক শুমিন্নরিবা মীশিং অসিগী মখা পোল্লি। ঐনা নৎত্রগা কনাগুবা অমনা মায়ামদুগী লুচিংবা অমা ওইবা তারবা, ঐবু নৎত্রগা মহাকপু ময়ামগী লুচিংবনি হায়বসি মথম্মোয়দুনা য়ানবা মখোয়গীদমক করি তৌবা তাই? ৱাহংসিগী পাউখুমদুনি খুম্বা লুরিবা। পাউখুম থিবসিদনি মীবু মমল পীদুনা লৈবগী চৎনবী অমা শেমগৎলকখিবা, পোলিটিসিয়নশিংনা খুদুং ইল্লক্লিবা।

লিদর ওইনিংবা মীশিংদা অশম্বা, অরায়বা পাউখুম অমত্তংদি সজেষ্ট তৌনিংই। খঙদে-শিংলে খঞ্জবা মকোক্তুনা লৌনিংগদ্রা? ইচম চম্বা ৱাহে - 'অদোমগা লোয়নরিবা মীশিংদুগী মরমদা অচুম্বা ৱাখল খনবিয়ু... মখোয়বু লায়রবা, অতোনবা মীনি খনবীগনু ... অদোমগী মতেং য়াওদ্রবদি হিংবা ঙম্লরোইদবা মীনি খনবীগনু ... অদোম্না পীখিবা মতেংদুগী খুৎলঙ ওইনা, মহাক্না অদোমগীদমক করিগুম্বা অমা তৌহন্নিংবগী অপাম্বা পোকপীগনু ...' থাজবীয়ু, মহাক শোয়দনা নঙগী নৎত্রগা ঐহাক্কী লেঙদ্রবা মরূপ ওইগনি। ৱাফম অসি য়াবিনিংদবরা ?

লৌশিং পুক্কে

# অঙাং পোকপা মতমদা নুপী খরদি চৈনাখোল ফাওদনবা হীদাক মথৌ তাদ্রিবসি অতাঙবা মখলগী জিন অমনা ওইহনবনি



সাইন্টিষ্টশিং অদুনা নুপীশিং অদুগী জিনেটিক কোদ অদু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনখি। অঙাং পোকপা মতমদা চৈনাখোল খাঙনবগী মতেং অমত্তা মথৌ তাখিদবা নুপী কয়াদা ফংবা সেল অমদা তোপ তোপ্পা ভেরিয়ন্ট অমা য়াওরম্বা সাইন্টিষ্টশিংনা থেংনখি।

মসিদা নর্ভ সেলশিং ফাওদুনা লাক্লগা ব্রেন য়ৌরিবা ইলেক্ট্রিক সিগনেলবু কন্ত্রোল তৌবা 'গেট' (থোঙ) অমা শেম্বা প্রোটিন পুথোকপদা মতেং পাংবা KGNG4 কৌবা জিন অদু মথৌ তৌবা য়াওই।

হায়রিবা গেটকিপ্পর অসিনা গেট অসিবু হাংদোকপা ঙমহল্লিবা অমদি নর্ভশিংবু মথৌ পাঙথোকহল্লিবা মহাক্কী ইলেক্ট্রিক সিগনেলশিংগী সেন্সিটিবিলিটি অদু অতাঙবা মখলগী ভেরিয়ন্ট অসিনা হন্থহনবা রিসার্চরশিংনা খঙবা ঙমখি।

অঙাং পোকপা মতমদা চৈনাখোল ফাওহন্দনবা হীদাক-লাংথক মথৌ তাদবা নুপীশিং অসি মখোয়দা চৈনাখোল খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল য়াম্না ৱাংহনবা ঙম্বা য়াম্না অতাঙবা মখলগী জিনেটিক ভেরিয়ন্ট অমা য়াওবননি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা খঙবা ঙমখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমব্রিজগী রিসার্চরশিংনা চথুবা ষ্টদি অমদা অতাঙবা মখলগী জিন ভেরিয়ন্ট অসি নুপী ১০০গী মনুংদা অমখক্তংদা য়াওই। হকচাংগী নর্ভশিংনা ব্রেনদা চৈনাখোলগী সিগনেল পীবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু ভেরিয়ন্ট অসিনা হন্থহল্লি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

হায়রিবা জিন অসিনা নেচরেল ইপিদ্যুরল অমা ওইনা মথৌ তৌই। মসিনা মরম ওইরগা নুপী খরগী ওইনা অঙাং পোকপা মতমদা চৈনাখোল য়াম্না ফাওহন্দবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

সাইন্টিষ্টশিং অদুনা অঙাং পোকপা মতমদা চৈনাখোল ফাওহন্দনবা হীদাক মথৌ তাখিদবা নুপীশিং অদুদা, মখোয়গী চৈনাখোল খাঙবা ঙম্বগী চাং অদু খঙনবা চাংয়েং কয়া তৌদুনা নুপী খরা খনগৎলম্মী। চথুখিবা চাংয়েংশিং অদুগী মনুংদা মখোয়গী খূৎতা মৈশা অমসুং প্রেসর পীবা অমদি উনগুম্না ইংবা ঈশিংদা মখূৎ লূপশিলহনবনচিংবা য়াওরি।

অঙাং পোকপা মতমদা চৈনাখোল ফাওহন্দনবা হীদাক-লাংথক মথৌ তাখিবা নুপী কাঙলুপ অমগা চাংদম্নবদা চৈনাখোল ফাওহন্দনবা হীদাক-লাংথক মথৌ তাখিদবা নুপীশিং অদুনা চৈনাখোল খাঙবগী থ্রেশহোল্ড য়াম্না কা হেন্না ৱাংবা থেংনখি।

ষ্টদি অদুগী মতাংদা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা জোইন্ট অথর ডা. মাইকেল লিনা হায়, 'নুপীশিংনা লেবর মতমদা মরুওইনা অহানবা অঙাং পোকপা মতমদা গ্যেস অমদি এয়র পীনবা হায়খিদবা নৎত্রগা চৈনাখোল ফাওহন্দনবা ইপিদ্যুরল মথৌ তাদবা হায়বসি অঙকপা অমনি।'

'ঐখোয়না অসিগুম্বা নুপীশিং অসিবু টেষ্ট তৌরে, অতোপ্পা নুপীশিংদগী মখোয়না চৈনাখোল খাঙবা ঙম্বগী প্যেন থ্রেশহোল্ড অসি অসুক্কী মতীক ৱাংবা হেল্লি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙলে' হায়নসু লিনা মখা তারি। ডা. লি য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমব্রিজগী এনেসথেসিয়া দিভিজনগী লেকচরর অমনি।

কো-অথর ইপান এস টি. জোন স্মিথনা হায়, "অঙাং পোকপা মতমদা চৈনাখোল য়াম্না ফাওদবা নুপীশিংদা য়াওরিবা জিনেটিক ভেরিয়ন্ট অদুনা 'নর্ভ শেলশিংবু স্বিটচ ওন তৌবগী থৌওং' অদুবু দিফেক্ট তৌহল্লি। হায়রিবা দিফেক্ট অসিনা নেচরেল ইপিদ্যুরল অমগুম্না মথৌ তৌই।"

"মসিনা মরম ওইরগা নর্ভশিং অসি 'স্বিটচ ওন' তৌহনবদা য়াম্না অকনবা সিগনেল অমা মথৌ তাই। মসিনা মরম ওইরগা চৈনাখোল ফাওহন্নবা সিগেনল অদু ব্রেনদা পাক হেক য়ৌবা ঙমহন্দে" হায়না কেমব্রিজগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফার্মাকোলোজিগী পি ঐদ দি অমা ওইরিবা স্মিথনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

ষ্টদি অসিগী কো অথর ওইরিবা কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ক্লিনিকল বাইওকেমিষ্ট্রিদা ইন্দোক্রাইন সিগনেলিংগী প্রোফেসর ওইনা লৈবা ফ্রেঙ্ক রৈমাননা হায়, 'তোঙান তোঙানবা প্যেন সেন্সিটিবিটিশিং থোকহনবা জিনেটিক ভেরিয়ন্ট অমা মশক খঙবা ঙম্বখক নত্তনা মসিনা চৈনাখোল ফাওহন্দনবগী অনৌবা হীদাক লাংথকশিং শেমগৎপদসু হেন্না খুদোংচাবা অমা ওইহল্লগনি হায়না ঐখোয়না থাজে'।

ষ্টদি অসি সেল রিপোর্ট্স কৌবা জর্নেল অমদা পব্লিস তৌরকখিবনি।

অঙাং পোকপা মতমদা চৈনাখোল হন্থহল্লিবা ইপিদ্যুরেলশিংনা পোষ্টপার্টম দিপ্রেসন (অঙাং পোক্লবা মতুংদা তৌবা দিপ্রেসন) হন্থহল্লি হায়বা কুমজা ২০১৮দা চথুখিবা অতোপ্পা ষ্টদি অমদা থেংনখি। ষ্টদি অদুগী রিসার্চরশিংনা হায়রিবা থৌওং অদুদা অতোপ্পা ফেক্টরশিংগীসু অচৌবা থৌদাং য়াওরম্বা য়াই হায়নদি ফোঙদোকখি।

ষ্টেনফোর্ড য়ুনিভর্সিটিগী রিসার্চরশিংনা হৌখিবা চহী তরারোম হেনবদা অঙাং পোকখিবগী দেটাশিং য়েংবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী নুপীশিংগী মরক্তা ইপিদ্যুরেলশিং শীজিন্নবা অমদি পোপ্যুলর ওইবগী চাং য়াম্না হেনগৎলকপা থেংনখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**এন কে মণিহার, অমাইপিবা নরানসৈনা কৈথেল**

কুমশি কুম ২০২০ অসি ইপা-ইপুশিংনা হায়বিরম্বা থম্বিরম্বা ৱাফম নীংশিঙলকই। ২০ (কুন) থবাল অসি শি তাবা মশীং কৌই। য়োনবসু য়োলহৈদে। ২০নি পানবা থবান্দা অফবা থৌরম তৌহৈদে। করিগুম্বা চরৈ ফী লৈরবসু মৈনা চাক্কল্লি। অশিবগী লমজেল ফী ওইগল্লি। অসুম্না লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা তাকপীরম্মী। ২০২০ হায়বা মশীং অসি শি তাবা অনী পুনবা কৌই হায়না হায়বিরম্মী। অমুকসু অসুম্না থম্বীরম্মী ইচাশা-ইশুশা তাইবঙগী অরোইবা চক্না লাক্লবা মতমদা নুমীৎ চয়োল তরেৎনী মমগনি, চয়োল তরেৎনি ঙানগনি। মালেম চেং খৈবগুম্না থক-খা ওল্লরনি তাকপীরম্বা মাংলমচৎতসু চুমদুনা লাকপনা কুমশি চহী ২০২০ অসি মালেম পূম্বগী ওইনা অৱা-অনা থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অসিনা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা হায়বিরম্বা ৱাফমশিং অসি অচুম্বা ওইদুনা তশেংনা থোক্লবরা হায়না খঞ্জে। মরম অসি লৈবনা ইরমদম কংলৈপাক মণিপুরগী পলেম-পম্থৌ, ইচিল-ইনাও, ইচা-ইশু পূম্নমক থকশি-খাশি, য়াহিপ-চাকচা, ফমফম চুম্না চিঙ লাই খোয়ুম লাইগী পরৈ চঙদুনা নিংজদুনা কুম ২০২০ লোইবা ঙাইমিন্নসি। কুম ২০২০না লোইরবদা চিঙুগী পাওরৌ-পাওখোং ঙাইমিন্নসি।



**লাইশ্রম মেথুন, সমরাম মমাং লৈকায়**

কোভিদ-১৯গী লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলদুনা লৈঙাক্না টোটেল লোকদাউন অমুক লাউথোরকপা অসি য়াম্না ফৈ। মমাংদা শুপ্পগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মীওইশিং খক্তদা লায়না লাইচৎ অসিনা নারম্লবসু ঙসিদি মপান্দা চৎলুদবা মীওই কয়াদা নারকপা য়াওরকপা অসি য়াম্নমক চিংননিংঙাই ওইবা অমদি চেকশিন্দবা য়াদবা তানফম অমা য়ৌরক্লবনি। লাইবক ফবদগী হায়গদরা নৎত্রগা তাইবঙমপুগী থৌজালদগী হায়গদরা ঙসি ফাওবদি লায়না অসিনা নাবগী মীশিং হেনগৎলক্লবসু শিবা ফাওবদি য়াওদ্রি। অদুবু লায়না অসিনা নাবগী মীশিং অসুমক হেনগৎলক্লগদি শিবা য়াওরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা লৈঙাক খক নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংনা লায়না অসিবু য়াম্না লুনা খনবিদুনা লৈঙাক্না শেমলিবা চৎন-কাংলোনশিং তঙাইফদনা চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লোকদাউন তৌদুনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবিবগুম থবক শুফম-নোমফম খঙদনা লৈরিবা ৱারবা মীয়ামগীদমক মমাংদা চেং য়েনখিবগুম মখা তানা মতেং পাংনবগী থবক তৌহন্নিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিনগনি হায়না তৌরম্বদু মতম খরা য়ৈথোকপদা য়ানখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়ন্না হয়েংদগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়না তৌরম্বদু হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফীভমসি য়েংলগা মতম খরা য়ৈথোকপদা য়ানরে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি ইবোহলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা হয়েংদগী খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্লম্বনি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়রগী চেম্বরদা ওথোরিটিশিংগা মুন্না খন্নরবা মতুংদা মতম খরা য়ৈথোকপা হায়না য়ানখিবনি। লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা তঙাইফদনা মতম খরগী ওইনা খোঙজং অদু হন্দোক্লে। হয়েং অয়ুক পুং ৫.৩০দগী চত্থগনি হায়না হান্না থৌরাং তৌদুনা লৈরম্লবনি। হিরম অসিগী মতাংদা মেয়র য়াওনা ওফিসল কয়াগা ফম্মিন্নদুনা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি। খন্ন-নৈনরবা মতুংদা য়ানবা অসি পুরকখিবনি। মতম খরগী ওইনা য়ৈথোকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৭।২০২০ ইং,ইরাই ; থৱানগী ৪নি পানবা।

**মেষ :** নচা ননাইগী লমদা নীংবা থুংবা ৱাবা অমদি মরুপ মপাংনা উশিৎপা ৱাৎপা লৈগনি। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি অমদি লেংদবা লন চাওখৎপা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা

**বৃষ :** থৌনা লৈবনা মীকোক থোংবা ঙম্বা অমদি ইমুং-মনুং ৱাখল মান্নবনা কান্নবা হেন্না ফংবা নুমিৎনি। চীন শোয়বনা লন মাংগনি, হোয়া ফবনা মাংজবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মরুপকী মতেং ফংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**মিথুন :** ৱাফংনবা অমদি অরং-অরাক পিথোকপা য়াদবা নুমিৎনি। য়েৎনবা অমদি অরুবা পোরম য়াৎপা য়াদবা নুমিৎনি। অদুবু লাইবক ফবনা মীচং অমদি লন ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**কর্কট :** অথেংবদা ওইজবা ফংবা, মরুপকী মতেং লৌবা য়াবা অমদি শেল ফংবা য়াবা নুমিৎনি। মীতোপ্পা কাইননবা শিনবা অমদি য়েৎনবনা মাংজবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** অথেংবদা নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**সিংহ :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি অফবা থবক পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। মরী মতা/নক্লবশিংনা তেংবাংবীগনি। হকচাং নুংঙাইতবা অমদি শোকপনবা য়াবদৈ চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**কন্যা :** হকচাং খিংবা, পোরম য়াৎপা হৈবা অমদি থবক্কী লমদা পুক্নিং পেঞ্জবা নুমিৎনি। নক্লবনা থাজদনা লন ময়েং তাহনবা য়াবা অমদি ফংবা য়াবসু পনবদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফবা ৱাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

**তুলা :** শেল থুম অমদি মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। চিংনদনা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি ৱাখল নুংঙাইজগনি। নচা-ননাইগী ৱাবা অমদি য়েক্লবনা ৱাহনবা খরদি লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ৱাঙাং লুই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক :** লৌশিংনা লন তানশিনবা ঙম্বা, নচা ননাই চাওখৎপা অমদি অচুম্বনা মাই পাকচবা নুমিৎনি। নীংবা থবকসু পাংগনি অমদি মীচং লৈ। ৱানোম্বা কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**ধনু :** মোং হাদবনা য়াইফবা ওইগদবা নুমিৎনি। অশাওবনা মরুপকা মরি ফরোই অমদি অঙম্বনা তাথিবীবা লৈগনি অদুনা নোল্লুক্না চৎপা ফৈ। ঙাইঙমদবা তৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবগীসু খনবীয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর :** য়ৎনবা খরা লৈরসু অমদি মীচং খরা ৱাৎলসু মরুপ মপাংনদি চানবীগনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেলথুম ফংবা য়াবা লৈ। অহৈ অশিং শাবসু য়াদে-মাংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা

**কুম্বা :** লাইবক ফগনি, য়েক্লবা নমথবা ঙমগনি অমদি মীচং লৈগনি। নচাক নরল চাওখৎকনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, অয়েৎপা/য়েংশিনবা য়াম্বা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

**মিন :** য়েক্লবনা অচানবা কাইনহনবা অমদি পুক্নিং নুংঙাইবা ৱাৎহনবা লৈ- অপঙ থৌনা উখোক্নু। নঙগী ওইবা মীনদি চানবী অমদি নীংজবা থুংবা য়াবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# অনটাইটল

লাইশ্রম হেন্থোইবা



Laishram Henthoiba is currently a Student at National School of Design, Ahmadabad.